থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# হিংবা অমসুং হিংমিন্নবা

এ পি জে অব্দুল কলাম, ইন্দিয়াগী ১১শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা, লৈখিদ্রবা সাইন্টিষ্ট ! মহাকপু ঐনা থোইদোক হেন্দোকপা, মী মরক্তগী অথোয়বা অমা ওইনা থম্মোয়নুংদা ইরাৎচবগী মরম কয়া লৈ। অদুবু, ঙসি ঐনা তমগে, ইগে খল্লুরিবা পাউদম অসিদি মহাক্কী মরমদা নত্তে। মানা হায়খিবা ৱা অমখক্কা ৱাহৌ ওইগে খল্লুবনি। খুদোংচাবা লৌদুনা মাগী মরমদা ৱাহৈ খরা হায়নীংলুবনি। এরোস্পেস ইঞ্জিনিয়রিং তম্লুরগা চহী নিফুরোম সাইন্টিষ্ট অমদি সাইন্স এদমিনিষ্ট্রেটর অমা ওইনা পুন্সি লেনখি। দিফেন্স রিসর্চ এন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গনাইজেসনগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরিঙৈদা স্পেস প্রোগ্রাম অমদি মিলিটরি দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াদা মহাক্না পীরম্বা খুদোলদুগী য়েংলগা, মহাকপু 'মিসাইল মেন ওফ ইন্দিয়া' হায়না ফাওবা মিংগৌনখ্রিবনি। মঙোন্দা, মতমদুদা হংখি, 'করিগীনো নঙনা মীওইবগী মাঙ-তাক্লবা খুৎলায় শাবদা থৱায় অদুক য়াওরিবা'? মহাক্না খুমখি, 'অকনবা মী ওইরবতদা অতোপ্পা অকনবা অমনা ঈকায়খুম্নগনি'।

চুম্মী! কলামগী ৱাফম অসি, মীওইবগীতা নত্তনা পুন্সি কৌবা অমা শাগোন্নরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক্কী ওইনা চুম্বা ৱাফম অমনি। 'মান্নবা উচেকশিংনা খূৎপু শেল্লগা পাইমিন্নৈ'- (বার্দস ওফ দ সেম ফিদর ফ্লোক তুগেদর') হায়বা পাউরৌ অমা শেল্লল্লিবসিনি। নোংশাগা শজীগা কৈদৌঙৈদা মরুপ ওইবই মরী লৈনবা য়ারোই। অকনবগা অকনবগা, অশোনবগা অশোনবগা... ইনাক খুনবগা ইনাক খুনবগা, লায়রবগা লায়রবগা খূৎপু শেল্লগা তীন্নবা মমাংঙৈদই চৎনরকই। অচৌবগা মচাগা লৈনবা মরীদা মচাগী ভেল্যু, মরীদুদা কৈদৌঙৈদসু তীনশিন্দে। মরম অসিদগীনি 'পার্টনরশিপ' হায়বসি মান্ন-মান্নবা মী মশেন পুনশিন্নরগতা শেল্লিবা। ইনাক-খুনবা, শক্তি লৈবা কনাগুম্বা অমনা, নৎত্রগা খরনা লৌশিং লৈবা, লায়রবা অমগা কৈদৌঙৈদা 'পার্টনর' ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা লায়রবদু চিংখৎপগী ৱাখল খল্লক্লোই। থৌওং অসি ঙসি ঙরাংখক্তদগী নত্তে চৎনরক্লিবা। চানক্য'নসু মাগী 'অর্থসাস্ত্র'দা হায়রম্মী, 'লেঙ-মান্নবা অমনা মহাক্না মান্নবা অমদা মতেং পাংবা, মীওইবগী লীচৎনি'। মহাক্কী 'অর্থসাস্ত্র'দা, লেং-মান্নবা (ইক্কেল) হায়বসি 'মিত্র' (মরুপ) হায়বসিনা মহুৎ শীন্দুনা শীজিন্নৈ। মরম অসিনা, মহাক্না হায়, মান্নবা মশেন (মিত্র) হায়বসিদি অমনা অমগী মতেং শোয়দনা পাংনগদবনি, অমনা অমদা মতেং নিবা/নিদবগী ৱা থিদনা।

কৌতিল্য (চানক্য)গী 'অর্থসাস্ত্র'গী ইথিল সূপয়ৌ য়ৌরক্ত্রিঙৈ, 'অর্থসাস্ত্র করিনো খঙদ্রিঙৈ, মণিপুর কৌবা লমসিগী মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিনা খুন্দাবা খুন্নাই মচা-মচাশিংদা 'মরুপ' হায়না মিংথোনবা, লন্নাই মীওই (ইন্দিভিজ্যুঅল) খরনা অকক্লবা শেনখায় অমা থা-থাগী খায়গৎনরগা মথং-মনাও (তর্ন নাইনা) অচৌবা শেনফম অমা মেম্বরশিংদুদা ফংহনবগী মওং (সিষ্টেম) অমা শেমগৎলম্বা অসিমসু মান্নবা মশেল মরক্তা অমনা অমদা মতেং পীনদুনা ইকনমিক এক্তিভিটি চাউখৎহন্নবা হোৎনরম্বগী মোদেল অমনি। পীকপগীসু পীক্না, অচৌবশিংগীসু চাউনা, লেংমান্নবশিংগী মরক্তা ইকনমিক সপ্পোর্ট পীনবগী সিষ্টেম অসিমদি অচৌবা অনওর্গনাইজদ-ইন্সটিট্যুসন অমনি। কৈথেল ময়োন্দগী হৌরগা খুঙ্গং খুনয়া, কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রবা মিনি ফাইন্সল ইন্সটিট্যুসনশিং অসি করিগুম্বা, লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা, ওর্গনাইজ-সেক্তরদা পুশিল্লকপা ঙল্লবদি ষ্টেটসিগী ওইনা কান্নরবা 'ইকনমিক তুল' অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি।

পোলিটিসিয়ন ওইরো, বিজিনেসমেনবু ওইরো মান্নবা মশেল মরক্তা পার্টনরশিপ শেমদুনা থবক তৌমিন্নবগী কান্নবা মখল অহুমনি। অহানবদা অমনা অমবু মশক মুন্না খঙনবা, বেত্তর অন্দরষ্টেন্দিং। ইমপ্লোয়ী ২০০ লৈবা কম্পেনি অমগী মেনেজিং দিরেক্টর অদুনা অতোপ্পা ইমপ্লোয়ী ২০০ লৈবা কম্পেনি অমগী জেনরেল মেনেজরদুগী প্রোব্লেম নীংথিনা খঙগনি। পি ঐচ দিগ্রী তান্নরিবা মহৈরোয় অমনা, মহাক্কুম্বা পি ঐচ দি ষ্টুদেন্ট অমগী অৱাবসু খঙগনি। এম এল এ ১০০ লৈবা এসেমব্লী অমদা কনানসু মেজোরিটি ওইদদুনা হঙ-এসেমব্লী তারবদা সিট ৩৫ কাবা পার্টিদুগা ৫ কাবা, ৬ কাবা, ৩ কাবা, ২ কাবা পার্টি খরগা পুনশিন্নদুনা গভর্ণমেন্ট শেল্লবদি মান্নবা মশেল পুল্লগা শেম্বা কোঅলিসন-পার্টনরশিপ ওইদ্রেদনা ! অচৌবদুনা মচাদুবু উশিৎপদি হৌনরিব্রা? মণিপুরদা থোক্লিবসিমক্কি। অনীশুবদা, পূক্লিং তীন্নবা (লাইক-মাইন্দেদ), ৱাখল মান্নদবা (দিফরেন্ত থোত) অনী নৎত্রগা অহুম্না অমত্তা ওইরকপগী অঙকপা। চপ মান্নবা পোজিসন অমসু ষ্টেটস'তা লৈবা মীওই অনীনা পুন্না থবক তৌমিন্নরকপা হায়বসি মতম চুপ্পদা অমগীসু অমগীসু কান্নবদুতা ওইগনি। অশোনবা অনী পুনখ্রবা, অকনবা অমদুগী ৱাখলদা সাইকোলোজিকল ইম্পেক্ট অমা শোয়দনমক্কী পীগনি। মহাভারত লানফমদা চাউরবা কৌরব তেঙ্গোল মায়থীখিবা, পান্দবশিংগী মায়কৈদা লাল্লোং, লাঞ্জং, পাঙ্গল, লৌশিং চাং মান্নবা লাল্লোয় হেন্না য়াওখিবননি। লান্দা কান্নফম খঙলোইদবা য়াল্লবা লান্মী তেঙ্গোল, কৃষ্ণনা মাগী মহুৎ থাজিনখিবগী মতাং নীংশিংবীয়ু। অহুমশুবা কান্নবা, পুন্না চাউখৎমিন্নবা। মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা জীব অসিদি নায়তোম হিংবা হৈতবা, পুন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই অদুদা লৈতনা মদোম হিংবা ঙমদবনি। ইনাক খুনবা অমেরিকান অমনা মতম অমদা হায়খিবদু নীংশিংই... 'আহ! ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ, লায়রবা ইমা-ইপাগী মীৎয়েংখাদা লৈরিঙৈ, নুংশিরবা মরুপ-মপাংশিংগী মরক্তা কয়াদা নুংঙাইবা পুন্সি অমা লেনজরম্বা! ... ঙসি, ইনাক খুনবা, মীনা কল্লক্লবা পুন্সি অমা লেল্লল্লবা তুংসিদদি, মরুপ-মপাং অমত্তা ইনাকসিদা লৈতনা, কনা খঙদ নায়তোম শিবা তারি ঐ... কয়াদা অৱাবগী মশক্লো' !

নীংশিংসি-মীওইবগী পুন্সি, করিসু নত্তে 'পার্টনরশিপ'নি। অফবা মীওইবা অমা ওইবা (বিইং এ গুদ হ্যুমেন বিইং) হায়বসি, মাঙলোমদা অনৌবা ভিজন অমা থল্লগা, নাক য়েত্তা লৈরিবা অচুম্বসি মশক খঙলগা, তুংদা লৈহৌরিবা ময়াম্বুসু খুৎশম্নদুনা পুবই ৱাখল চেনবা মীদুনি। ঐখোয়না থিরিবা লুচিংবদুসু মহাক্কি।

লৌশিং পুক্কৈ

# অঙৈংবা মতমদা সাইনস লৈবা

## মীওইশিংনা তৌবা য়াবা থবকশিংগী মতাংদা খঙমিন্নসি

মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংদা য়াম্না নাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা সাইনস হায়রিবা লায়না মখল অসিসু অমনি। মীওই খূদিংমক্না সাইনসকী মতাংদা তারম্লগনি অমদি সাইনস লৈবা মীওই খূদিংমক্না মসিনা থোকহল্লিবা নুংঙাইতবা কয়া শোয়দনা থেংনরম্লগনি। সাইনস লৈরবা মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী হিদাকশিং চাদুনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরি। ইন্দিয়া মরুওইনা লমদম অসিগী ওইনা লম্বীগী ফীভম কা হেন্না ফবা ওইদবা মরম্না সাইনস লৈবা মীওইশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। অমোৎপা নুংশিৎতা ঙাইহাক্তং থোক্লবা মতমদা সাইনস লৈবা মীওইশিংদি নাতোন মরেং-মরেং চৎপগা লোয়ননা নপ মহি তাবা অমদি হকথি তোয়না খনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মী য়াম্না তীনবা মফমদা থবক য়াওবা চৎপদা সাইনস লৈরবা মীওইশিংগী ওইনদি নুংঙাইতবা কয়া থেংনহল্লি। সাইনসকী সিম্পতম খরদি নীংথমথাগী মতমদনা অমুক্কা হেনগৎহল্লি। নীংথমথাগী মতমদা সাইনস লৈরবা মীওইশিংদা নুংঙাইতবা হেনগৎহনবগী মরম য়াম্না লৈখ্রে। অদুবু নীংথমথাগী মতমদা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা থবক তৌরবদি সাইনসনা কা হেন্না নুংঙাইতবা থোকহল্লকপদগী থিংবা ঙমগনি। মরম অদুনা নীংথমথাগী মতমদা ঐখোয়না সাইনসকা মরী লৈননা তৌবা য়াবা থবক খরা খঙমিন্নসি।

নীংথমথাগী মতমদা মীওই অয়াম্বা য়ুমদগী মপান থোক্লদে। কা মনুংদা হকচাং লুম্না লৈহন্নবা হোৎনৈ। অদুবু নীংথমথাগী মতমদসু উফুল থাংবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি। নীংথমথাগী মতমদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা মতু চোম্বা অথাবা ফিজোল নৎত্রগা ফৈজুপশিং অসি উফুল য়াম্না নপশিনগল্লি। অমরোমদা য়ুমদা য়োকপা হুই নৎত্রগা হৌদোংশিংসু ইমুংদা লৈবনা মরম ওইরগা মখোয়দগী পাইথোরকপা মতু নৎত্রগনা মখোয়না মপান্দগী পুশিল্লকপা উফুলশিংনসু ঐখোয়দা নুংঙাইতবশিং থোকহনবা য়াই। অসিগুম্বা হকচাংদা মরুওইনা নাতোন্দা এলর্জি থোকহনবা য়াবা পোৎশিং অসিদগী ঐখোয়না লাপ্না লৈগদবনি নৎত্রগনা ঐখোয়না লৈরিবা কা অদু য়াম্না তোয়না শেংদোক্কদবনি। নীংথমথাগী মতমদা সাইনস লৈরবা মীওইনা খ্বাইদগী চেকশিনগদবদি নুংশা শ্বর হোনবা অসিনি। অফবা অশেংবা নুংশিৎ লৈবা মফমদা সাইনস লৈরবা মীওই অমনা শ্বর হোনবা মতমদা প্রোব্লেম লৈতে। মরম অদুনা হ্যুমিদিফায়র কাদা শীজিন্নবনা সাইনস নাবা মীওইশিংদা কান্নবা য়াম্বা পীগনি। মরমদি মসিনা সাইনসেসপু চোৎলি-চোৎলি লৈহনবদা চাউনা মতেং পাংগনি। মসি নৎত্রগনা ঐখোয়না ঐচ ঈ পি এ এয়র ফিল্টর শীজিন্নবনসু কান্নবা পীবা ঙমগনি। এয়র ফিল্টর অসিনা নুংশিৎতা য়াওবা উফুল অমদি এলর্জেনশিং ফিল্টর তৌবনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী রেস্পিরেটরি সিষ্টেমনা মথৌ ফজনা তৌবা ঙমহল্লি। সাইনস লৈরবা মীওই অমনা নীংথমথাগী মতমদা য়ারিবমখৈ কা হেন্না ঈংবা ঈশিংনা ঈরুজবগী মহুৎতা লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংনা ঈরুজনবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা ষ্টিম তৌবনসু কান্নবা য়াম্না ফংহল্লি। মসিনা সাইনসকী প্রেসর অমসুং কোক চিকপা ফহনবা ঙম্মী। অমরোমদা নাতোনদা নুংঙাইতবা থোকহল্লিবা সাইনস লৈবা মীওইশিংনা মতম পুম্বদা নাতোনগী শরুকশিং লূ-নান্না থম্নবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক ঐখোয়না ডোক্তরশিংগা তান্নবা মথৌ তাই। ডোক্তরশিংগা তান্নদুনা নাতোন লূ-নান্না লৈহন্নবা করম্বা মখলগী দ্রোপশিং শীজিন্নবা য়াবগে হায়বদু খঙদোক্লবা মতুং চাং নাইনা শীজিন্নগদবনি। মসিনা সাইনসকী ফীভম কন্ট্রোল তৌদুনা থম্বা ঙম্মী। অমরোমদা ঐখোয়না নাতোন চামথোকপা মতমদা শীজিন্নগদৌরিবা ঈশিং অদু ফজনা ফিল্টর তৌরবা মতুং শাহনগদবনি। মদুগী মতুংদা অফবা কোল অমদা হাপ্পবা মতুংদা নাতোন শেংদোক্কদবনি। অফবা ঈশিংনি হায়দুনসু টোটিগী ঈশিং লুমথোক্তনা অমদি ফিল্টর তৌদনা নাতোন শেংদোকপদা শীজিন্নরোইদবনি। মরমদি টোটি ঈশিংদা এলর্জেনশিং নৎত্রগা বেক্টিরিয়াশিং য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মথক্তা পনখ্রিবা খরা অসি সাইনস লৈরবা মীওইশিংনা নীংথমথাদা পাঙথোক্লবদি সাইনসনা নুংঙাইতবা থোকহল্লকপদগী থিংবা ঙমগনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে



# লাইরেনপাৎতা থাঙ-তা অমদি জগোয়-ঈশৈগী থৌরম লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈপাক থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থাঙ-তা অমদি জগোয়-ঈশৈগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী লাইরেনপাৎতা লৈবা এসোসিএসন অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রঙ্গনিকেটনগী চ্যেরমেন অজিৎ দাসনা অথোইবা মীথুং, চীফ মিনিষ্টরগী ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস একাদেমীগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম ভক্তকুমারনা অখন্নবা মীথুং অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দী পোথেম মঙ্গিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কংলৈপাক থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট লোংজম বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী কলচরগী লমদা এসোসিএসন অসিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা অৱা-অনা খাঙদুনা হিংনবা হোৎনজরকপনা ঙসিদি চহী ৪৪ শুরে। মণিপুর অসি কলচরদা য়াম্না ইনাক খুনবা লৈবাক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। শাংলবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী মপান্দা পাঙথোকপা থৌরম কয়াদা থাঙ-তাগী ওইবা খুদোল তমখিবা কয়া লৈখ্রে। পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা আর্ট ফোর্মশিংগা মান্নবা খোঙফমগী শরুক য়াওব্রা হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থাঙ-তাগী শাথেক কয়া জগোয়-ঈশৈগী মওংদা উৎচগনি। পর্ফোর্মিং আর্টশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস একাদেমীগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম ভক্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থাঙ-তা অসি হৌজিক ষ্টেট অসিগী করিক্যুলমদা হাপচিন্দুনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা খঙহন্দুনা মতম অমগী লৈরম্বা থকশি-খাশি, চৎনরোলশিং অমুক নৌহৌননা খঙবা ঙল্লগনি। থাঙ-তা অসি স্পোর্টসকী ইভেন্ট অমা ওইনা শকখঙনবা হৌরে। থাঙ-তা য়োকখৎনবা হোৎনবদা পুম্নমক্না মতেং পাংবীয়ু অমদি য়ুমথোঙ খূদিংগী হৈহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা থাঙ-তাগী লৈতেং অমসুং জগোয়-ঈশৈগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি হায়রি।

# অহানবা মার য়ুথ এসোসিএসন কনফরেন্স লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : জিরিবামগী জাইরাৱনদা ঙরাংদগী হৌনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা মার য়ুথ এসোসিএসন জিরিবাম অমদি ঐচএস এ হেদ ক্বার্টরগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোরকখিবা অহানবা মার য়ুথ এসোসিএসন কনফরেন্স ঙসি লোইশিনখ্রে।

কনফরেন্স অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা ঐচ এস এগী ব্রাঞ্চ ১৪ রোম্না শরুক য়াখি। মার য়ুথ এসোসিএসন জিরিবামগী প্রসিদেন্ট লালরাম মারনা থৌরম অদু হৌদোকখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরমেন কে শরত, মার ইনপ্যুই জিরিবাম রিজনগী প্রসিদেন্ট সৌথাং মার অমদি মার নেসনল য়ুনিয়ন ব্লোক ৬কী প্রসিদেন্ট এল রামহৌল থিকনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ফঙ্কসনল প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা পুম্নমক্না লৈঙাক্কী মতেং পাংসি হায়নসু কেশরতনা ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।১১।২০২২ ইং, ইরাই;
হিয়াঙ্গৈগী ১৮নি পানবা।

মেষ: অনৌবা থৌরম পাঙগনু, মীতোপকী ৱা থাজগনু- কান্নরোই। মীয়ামগা মরী ফনবা হোৎনৌ। য়াকা য়েংনা চৎলু, পঙশিন্নবা কান্নগনি, য়েৎনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

বৃষ: পুক্লিংদা খঞ্জিল্লুদবনা মাঙজবা/কায়নবা নংবা য়াবা লৈরসু লাইবক ফবনা হরাওবা, লন ফংবা, মরুপ্তগী কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিথুন: খোয়রাংবা, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি মরুপ মপাংগা ৱারৌনবা খরদি লৈগনি। মরম চাদনা হোয়া ফরুনু-অরেম্বদা চাদিং তৌবা, মাঙজবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কর্কট: হকচাং খিঙবা, নীংবা থুংজবা অমদি শেন্দোং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। অরং-অরাক লৌশিনবা য়াবা, অফবা মফম কনবা ঙম্বসু লৈগনি। য়েৎনবদি পাম্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: ইচঙ থৌবা য়াবা, অনৌবা থবক পাঙহৌবা ফবা অমদি কনানসু লাকচবা ঙল্লোইদবা নুমিৎনি। মীতোপকী ৱা লৌরদি নথক থোংবনা তাথিগনি-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: অনম তানবা অমদি ইচঙ থৌবনা নচাক নরলদা মাঙবা লৈগনি-পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু। নোল্লুক্না চৎলবা, নক্লবগী মতেং লৌরদি অরুবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং ইচা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: মরম চাদনা ৱা ঙাংগনু অমদি নথক থোংবগী ৱা থওইদবা তৌগনু। হন্থবনা হুন্দুনা ঙাংবী-ওনশিন্নদুনা ৱাফংনগনু। অকিবদি লৈগনু, থৌনা ফুদোকউ-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা ইথুং থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক: ৱাখল থোক্কনি, নথক থোংবনা চানবীগনি, শেন্দোং য়াম্না লৈগনি। লম চৎপা কান্নগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং হান্নগুম ফংজগনি । মতম মাঙহল্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: মায় পাক্কদবা নুমিৎনি-অনৌবা থবক থৌরম পাঙহৌরো। ইচঙ থৌবসু মতাং চারগনি, মীয়ামগী মতেং লৌবা য়ারগনি, ঈকাই খুম্নবীবা তাঞ্জা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হেন্না ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: চরাঙনদ্রদি মাঙনিংঙাই লৈতে, ৱাখল শোল্লি-খন্থদনা থৌ পাঙগনু। অকিবা লৈতনা খুৎথাবদি য়াগনি, অঙম্বনা চানবীবনা পাংঙমদবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: লৌশিংনা পাঙ্গল ওইনবা হোৎনৌ, লেঙদবা লন তানশিনবা য়াগনি। খাঙবা কনদ্রদি কায়নবা লাকপা য়াই, অফা-অপুনগী থবক য়াওরুনু-চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: নীংবা থুংগনি, ওইজ-ওইথক তানবদা খুৎচাও থাবা য়াগনি। থাজদবা মরমদগীসু কান্নবা ফংজগনি, লম চৎপা মহৈ য়ানগনি। মীয়াম পুনবদা নুংঙাইবা ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# পোইনু লৌবুক উরগা

## খাবা মাইমোম



Khaba Maimom is a downhill skateboarder and filmaker.